**TDC (CBCS) Odd Semester Exam., 2019**

# MANIPURI

**( 3rd Semester )**

Course No. : MANLAN–301T

**( Poetry, Prose and Language )**

*Full Marks* : 70
*Pass Marks* : 28

*Time* : 3 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

Answer **all** questions

১। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী **মরিখক** খল্লগা তেন্না পাউখুম পীয়ু : ১×৪=৪

(ক) 'পুংজা খুদিং খোংবা চেক' হায়রিবসি করম্বা উচেকনো?

(খ) "লাইরেন লাবা য়াওল্লে
হুয়থৌ লাবা চীফেঙলো"
মসিনা করি খঙহল্লি।

(গ) "অঙান নঙনা থোক্তগা
তরা চেঙখুন উদেদো"
কনানা কনাদা হায়রিবনো?

(ঘ) ''অঙানবসু লোইদ্রিঙৈ অমম্বসু হৌদ্রিঙৈ''

হায়রিবসি করম্বা মতমবু খঙনৈ ? ৪

(ঙ) কোরৌহনবা হায়রংগা করিবু খঙনৈ ?

২। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী **অমখক** খল্লগা ইয়ু :

(ক) ''চীংঙু নংবু য়াহৌরো''

চীংঙুগী অর্থ করিনো ? য়াহৌরো হায়বনা করি খঙনবগে ?

(খ) হয়েংসু শোয়দনা মরাক্কে      ঙসিদৌনা পাইরক্কে

মপুগী মগুণ তমলগে।

কনানা কনাগী মফমদা হায়রিবনো ?

৩। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী **অমখক** খল্লগা মরীমখোঙ তাক্তুনা শন্দোকনা ইয়ু :

(ক) ঙরাং লাইরেন নোংজাদা

মনা লুকথোং হাদুনা

ঈনুং মঙচঙ তমখিবা

মঙতম মতম ওইরকলে।

(খ) ঙসাইদৌনা নিংথিজৈ      ঙসাইদৌনা মফজৈ

পঙনা পাল্লি তাইবংও।

মপুগী লৈপাকনুংসিদা      হিরম থৌদোক খুদিংদা

কনানা লমজিংবিবগে ?

৪। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী **মরিথক** খল্লগা য়াম্না তেল্লা পাউখুম পীয়ু : ১×৪=৪

(ক) লাঙ্গোল লুখোই কনানো ?

(খ) কদাইদনো থারুগদবা নহাক্কী লুম্লবা পোৎয়োম কনাগী লুম্লবা পোৎয়োমনো ?

(গ) 'শবনম'গী অর্থ করিনো ?

(ঘ) "ৱারবা জগৎপু হরাওবা মপাউ তম্বিবা"
হরাওবা মপাউ তম্বিরিবসি কনানো ?

(ঙ) "পৃথিবী ইমানা মথাদা কোনশিন্বিরী"
পৃথিবী ইমানা কনাবু মথাদা কোনশিন্বিরিবনো ?

৫। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী **অমখক** খল্লগা ইয়ু : ২

(ক) 'লম্মাঙনবা' হায়রগা করিবু খঙনৈ ?

(খ) মীনুংশিগী মবুঙো, হে থৌজাল হৈবা !
তোল্লবসু নহাক্কী খুৎশেমনি ঐখোয়দি,
মীনুংশিগী মবুঙো হায়রিবসি কনাবুনো ?
তোল্লবসু নহাক্কী খুৎশেমনি হায়রিবসিনা করিবু খঙহল্লি ?

৬। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী **অমখক** খল্লগা ইয়ু : ৮

(ক) "য়েংউ লাইরবী ! যজ্ঞগী মৈরীদি চাক্লেসে"
লাইরবী হায়রিবসি কনানো ? যজ্ঞগী মৈরীসে মতৌ করমনা চাকলিবনো ? ২+৬=৮

(খ) 'শবনমগী মরীক অনীদং' হায়রিবা শৈরেংগী মতুংইন্না তাইবং মপুগা মীওইবগা লৈনরিবা মরী অদু ইয়ু। ৮

৭। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী মরিখক খল্লগা য়াম্না তেম্না পাউখুম পীয়ু : ১×৪=৪

(ক) করম্না কলানা অতৈ কলা পুম্নমক্কী লুবা হেল্লি ?

(খ) তন্ত্রশাস্ত্রগী মতুংইন্না কলাগী মশীং কয়ানো ?

(গ) প্রতিভা হায়রগা করিবু খঙনৈ ?

(ঘ) খাউবুনাই হায়রগা কনাবু খঙনবগে ?

(ঙ) 'নীরব রজনী'গী অর্থ করিনো ?

৮। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী অমখক খল্লগা ইয়ু : ৮

(ক) প্লেটো কনানো ?

(খ) ঈশিংদসু চাউদবী কংফালদসু হৌদবী

করম্না মখলগী লৈরাংনো ? করিগীদমক হায়রিবনো ?

৯। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী অমখক খল্লগা ইয়ু : ৮

(ক) সার্থক কলাকার কদাইবু কৌবগে ? সার্থক কলাকারগী গুণশিংদু নৈনদুনা ইয়ু।

(খ) 'ডাঃ কমল অমসুং প্রকৃতি' হায়বা ৱারেংগী মতুংইন্না কমলগা প্রকৃতিগা লৈনরিবা মরী অদু শীংথাদুনা ইয়ু।

১০। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী মরিখক খল্লগা য়াম্না তেম্না খুম্মু : ১×৪=৪

(ক) 'দি স্টাদি ওফ হিষ্টরি' কনানা ইবনো ?

(খ) আসুরিক শক্তি হায়রগা করিবু খঙনৈ ?

(গ) 'আত্মার্থে পৃথিবী মত্যজেৎ' মসিগী অর্থ করিনো ?

(ঘ) "মানা নোকফেৎ তৌবদু নোংথাং কুপ্পগুম পুমঙান ঙান্না উই।" নোকফেৎ তৌরিবসি কনানো ?

(ঙ) পুক্লিংগী করম্বা ফিভমদা লাইরিক ইবা ঙমগনি ?

১১। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী **অমখক** খল্লগা ইয়ু : ২

(ক) ৱার্দসৱার্থ কনানো ?

(খ) "পৃথিবী অসে হৌজিক লম্বী লমলোং অমদা লৈরে।" লম্বী লমলোং হায়রগা করিবু খঙনৈ ? মতৌ করমনা পৃথিবীনা লমলোং অসিদা লৈরুরিবনো ?

১২। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী **অমখক** খল্লগা ইয়ু : ৮

(ক) "মী-কবি হায়বা তোঙানবা জীব অমা লৈবা নত্তে।" ৱাফম অসিদা অইবনা ফোঙদোকনিংলিবদু নৈনদুনা ইয়ু।

(খ) মীওইবা সমাজগী চাওখৎপগী মওং অসি মতৌ করমনা লেপকনি হায়বদু ঐচ. রণবীর সিংহগী মোত মতুং ইন্না নৈনৌ।

১৩। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী **মরিখক** খল্লগা য়াম্না তেন্না খুন্মু : ১×৪=৪

(ক) মণিপুরীগী দীপথোঙ্ অনীদংগী খুদম পীয়ু।

(খ) মণিপুরী নেজেল খোঙ্লোকশিংদু করি করিনো ?

(গ) মণিপুরী বেক্ ভারল অনীগী খুদম পীয়ু।

(ঘ) ওনসেং হায়রগা সিল্লেবলগী করম্বা শরুকপু খঙনৈ ?

(ঙ) মণিপুরী মোরফিম অমত্তনা শাবা ৱাহৈ অমতং ইয়ু।

১৪। মথাগী ৱাহংশিং অসিদগী **অমখক** খল্লগা ইয়ু :

(ক) সিল্লেবল হায়রগা করিবু খঙনৈ ?

(খ) এফিক্স কদায়বু কৌই ?

১৫। মথাগী ৱাহংশিং অসিদগী **অমখক** খল্লগা ইয়ু :

(ক) মণিপুরীদা কোন্সোনেন্ কয়ালৈ ? খুদমগা লোয়ননা ইয়ু।

(খ) রুৎ কদাইবু কৌবগে ? মখল কয়া শুই ? মখলশিংদু খুদমগা লোয়ননা তাকউ।

★ ★ ★